# শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগীদমক হোলিগী খোঙচৎ অমদা ফাওরকপা ৱাখল - ৯

ৱাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লূৱাং

**হান্নদগী** হৌনা নবদ্বিপ্তা লৈরিবা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগীদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা য়াওশঙ কুম্মৈদি লমতাগী ১৬নি পানবা (পেচকারী) নুমিৎতা লোইরে। মসিগী মতুংদগীদি নবদ্বিপ্তা অতৈ মফমশিংদগী লাকপা ভক্তশিং লৈত্রে হায়বা য়ারে। কুমজা ২০১৮গী ওইনদি মার্চ ৩, লমতাগী ১৬নি পানবা থাংজ নুমিৎ পেচকারী তাখি। নুমিৎতুদা সেবাইট সমিটিনা হোলিদলসিগী ঈশৈ মকোক্তগী লোইবা ফাওবা শক্লবা অয়াবা পীবিখি। মদুগী মতুং ইন্না নুমিৎতুগী অয়ূক্কী পুং ৯ খরা হেনবদগী মণিপুর সঙ্গিৎ নাত্য মহাবিদ্যালয় জয়পত্র হোলি পলাগী মেম্বরশিং শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী মান্দপ্তা মশা মশাগী কাশিংদগী থোক্লরক্লগা থুংলখি। মেম্বরশিং শুনা তিল্লবা মতুংদা হোলিগী ঈশৈ শকপা হৌদ্রিবৈগী মাঙওইননা হোলিদলসিগী মমল য়াম্লবা (শেলগী মমল নৎতবিদা) লেংয়ানফি খরা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী সেবাইট সমিটি (এ এস এস) গী মেম্বর খরদা হান্না খুদোল তম্বগী তাঙ্কক মতেক অমা ওইখি। থৌরম মতেক অসিগা মরী লৈননা হোলিদলসিগী এদভাইজর ওইবিরিবা শ্রী সলাম মাইপাকনা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভু সেবাইট সমিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবিরিবা শ্রী রাজকুমার রঞ্জিৎতা অহানবা ওইনা লেংয়ানফি খুদোল তমখি। অনীশুবদা হোলিদলসিগী সেক্রেটরি ওইবিরিবা শ্রী লৈমখুজম শরতচন্দ্রনা শ্রী রাজকুমার রাজেন্দ্র (ত্রেজরর, এ এস এস) দা খুদোল তমখি। অহানবা কৌথোকপদা সেবাইট সমিটিগী সেক্রেটরি ওইবিরিবা শ্রী রাজকুমার টিকেন্দ্রজিৎ মফমদুদা অচিনবা থবক অমদগী মতম চানা লাকপা ঙমখিদবদু খজিক্তং কোম্না লাকপীবদগী হোলিদলসিগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা মেম্বর শ্রী খাইদেম জুগেশ্বরনা হোলিদলসিগী লেংয়ানফি খুদোল তম্বীখি। অরোইবদা, হোলিদলসিগী মমল য়াম্লবা লেংয়ানফিশিং কৎপীবগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা মেম্বর শ্রী থৌনাওজম বিনোদকুমারনা শ্রী তখেল্লম্বম ইরাবোৎ (ত্রেজরর, সেন্টর ফোর রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র ফাউন্দেসন, মণিপুর) দা লেংয়ানফি খুদোল তম্বীদুনা হোলিদলসিগী ওইনদি লেংয়ানফি খুদোল তম্বগী থৌরম হেক লোইশিনবগা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভু সেবাইত সমিটিনা অমুক মণিপুর সঙ্গিৎ নাত্য মহাবিদ্যালয় জয় পত্র হোলিদলসিদা সেবাইট সমিটিগী মেমেন্টো 'শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভু সেবাইট সমিটি, নবদ্বিপ' হায়না থাবা অতেনবা ফিরাল পীদুনা নুমিৎতুদা হোলিদলসিবু মীয়ামগী মমাঙদা থাগৎ ৱাহৈগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা উৎপীরকখি। মসিগীদমক হোলিদলসিগী মায়কৈদগী সেবাইট সমিটিদসু তৌবিমল খঙবা উৎচখি।

হোলিদলসিগী লেংয়ান ফি অমদি সেবাইট সমিটিগী মেমেন্টো খূৎশিন্নবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা সেবাইট সমিটিগী ইকায়খুম্নজরবা মেম্বরশিং অমদি অতৈ মেম্বর খরসু য়াওশিনবিরক্তুনা হোলিদলসিগী মৈ হৌবি ঈশৈ মকোক্তগী লোইবা ফাওবা য়াম্না মপূং ফানা শকখি। নুমিৎতুগী ওইনদি হোলিদলসিগী ঈশৈ থৌগলনা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী অহানবা থৌগল ওইবনা মাঙ্গপকী অকোয়বদা মীৎয়েংলোই মশীং য়াম্না ফমদুনা অমদি লেপ্তুনা ঈশৈ তাখি। মমাঙদা হায়জখ্রে, ফেব্রুৱারী ২৬, ২০১৮গীদা শকখিবা অহানবা শৈশক্তা অতাবা বৈষ্ণব-বৈষ্ণবীশিংনা লুপা লিশীং তরামঙাগী ময়াদা শেল থাবিরকখিবদুদগী হেন্না নুমিৎতুগী অনীশুবা অরোইবা শৈফমদা লুপা লিশীং তরাতরেৎ খরা হেন্না অমুক থাবিরকখি। নুমিৎতুদা হোলিদলসিগী মেম্বরশিংনা তৌখিবশিংদু শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী থৌজালদগীনি হায়না ময়াম্না লৌনখি। হোলিগী থৌগল লোইরগা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী লুকলেন হোলিদলগী মেম্বর খুদিংমক্না ফংনবা সেবাইট সমিটিদগী হৌনবী মতুং ইন্না ককপা টোকন অমমম পায়নরগা পূন্না লুকলেন ফংমিন্নখি। মতাংসিদা পনবদা চিংখৈবা য়াদবা ৱাফম অমদি হন্দক্কী নবদ্বিপকী খোঙচৎতাঁ নাগেশ্বরগীদমক শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগীদা য়াওশঙ কুম্মৈগী থৌরম য়াওনবা লেংবীরকখিবা, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী, পুকচেল চাউরবা চাউরবী কয়ানসু য়াম্না থম্মোয় শেংনা অঙন্বা শেলগী মতেং পাংবিরকখিবা খিবিকপুসু হোলিদলসিগী মায়কৈদগী অমদি অইবগী মায়কৈদগী হন্না হন্না থাগৎচরি। তাইবঙ মীওইবা অমগী পুন্সিদা অশিবা হায়বসিদি লমন তোন্দুনা লৈরবনি হায়না লৌনরিবনি। অদুম্নমক ওইরবসু, মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা হায়বসিদি হেন্না নুংঙাইতবা থৌদৌ অমনিনা অঙন্বা তরেৎ শেঞ্জা খরা মতেং পাংবা হায়বসিদি মীওইবা ঐখোয়গী খ্বাইদগী য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি হায়বসি য়াম্বা য়ামদবা থিদনা অঙন্বা শেলগী মতেং পাংবিরকপসিনা তাক্লবনি। লাইনীং লাইশোনগী মায়কৈদগী য়েংলবসু মী অমগী অশেংবা অৱা অনা তাবদা অঙন্বা পান্থৈনা মতেং পাংবা হায়বসি লাইগী থৌগল তৌবদা চঙবা মচাক্তুনি হায়না লৌনরিবনি।

মমাঙদা মী ময়াম অমা নবদ্বিপ্তা চৎতুনা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভু খুরুম্বা থৌরম কয়া য়াওনখ্রে। তুংদা লাকনীংবা/চৎনীংবা কয়া অমসু লৈরকপা য়াই। হান্না চৎলুরে হায়দুনসু খঙদবা খরসু য়াওরম্বা য়াই। তুংদা চৎনীংবা কাঙবুনা খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরসু শোয়দনা লৈগনি। মসিগা মরী লৈননা অইবনা নবদ্বিপকী শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী মীথুংফম কা অমদা হোলিদলসিগী মেম্বর অমা ওইরুবনা ফেব্রুৱারী ২৬, ২০১৮দগীনা মার্চ ৩, ২০১৮গী নুংথিলগী পুং ৪ খরা হেনবা ফাওবা লৈরিঙৈদা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী থৌগৎল চৎতুনা লৈবিরিবা ঐগ্যা/বামোন অমগা ৱারী শান্নরকপগী পাউদম মতেক অমতংগা থমজগে। মফমদুদা লাইগী থৌগল, থোং-থাকপগী থবক শুনা তৌবা বামোন অহুম লৈ। মখোয় লোইনমক ত্রিপুরাদগীনি। ত্রিপুরাগী মীতৈ বামোনশিংনি। মণিপুরদগী হান্না খরা লৈরম্লে, অদুবু খাংবা ঙমদবদগী লোইনা তোকখ্রে হায়না পাউদম্লকই। শ্রী মদন শর্ম্মনা বামোন রতননি অদুগা শ্রী বিজয় শর্ম্ম অমদি শ্রী মঙ্গল শর্ম্মনা মতেং পাংলগা মখোয় অহুম্মক ত্রিপুরাগী মীতৈ বামোনশিংনি। মখোয় লোইনমক থাগী তলব ফংবা/লৌবগী ৱাখল লৈতে। ইমুং মনুং লৈরবসু লাইগীদা ভক্ত, বৈষ্ণব-বৈষ্ণবীশিংনা কৎলরবা শেলফম, পোৎচৈশিংদুনা লাইগী নুংতিগী লুক কৎপা, খরচ অতৈসু অদুম তৌবনি। অদুনা লাইগী থৌগল তৌবনি খল্লগা লৈবনি।

ইমুংঙো অনুপ্রভুনা থোনবা ফিজোলগী মরমদনা/মতাংদনা - একাদসি খুদিংগী অঙাঙবা মচু, অমাবস্যা (থাশি/থাশু) খুদিংগীনা অমুবা মচু অদুগা মরক্কী অতৈ মতমশিংদদি ভক্তশিংনা কৎচনীংবা কৎলকপা ফিজোল মখৈ অদুম থোল্লি। চহী অমদা ইমুংঙোগী চরন দর্শন অহুম্লক ওইনা মেরাগী হুমনি পানবা, অনীশুবা মাঘগী পুর্ণিমা, অহুমশুবদা ফাইরেনগী পুর্ণিমা হায়রিবা নুমিৎশিংতদা ভক্তশিংদা ঙহাক লুক কৎলিঙৈ মতমদা লাই থোঙ হাংলগা উহল্লি। অতৈ মতমদদি হাংদে। লাইগী নুংতিগী থৌরম ওইনা শিংথারদি অয়ূক্কী পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা তৌই। মসিগী মমাঙদদি প্রোগ্রাম অমত্তা হৌবা য়াদে। লুক চনবদি নুমিদাং পুং ৬ তাবদা তৌই। মথক্তা পনখিবা থবক থৌরমশিংসি লাইগী পুজারি ওইনা লৈবিরিবা বামোন অহুমসিনা শিন্নরগা পাঙথোকই। করিগুম্বা নুমিৎতা ইবুংঙোগী প্রসাদি ফংগদবা মীনা য়াম্লবদি নুমিৎতুদা বামোনগা য়াওরবদি মহাক/মখোয় খরসু মতেং পাংবিনবা হায়নরগা ময়ামগী থৌগল নুংঙাইহনবা পূন্না তৌমিন্নৈ। হন্দক কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা শ্রীশ্রী গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী ৫৩৩শুবা মপোক কুমওননি। ফেব্রুৱারী ২৬, ২০১৮দগীনা মার্চ ৩, ২০১৮ ফাওবদা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী মাঙ্গপ্তা হোলি কুম্মৈগা লোয়ননা মপোক কুমওন পাঙথোকপনি। লাইগী মন্দিরনা মখা মায়কৈ ওল্লগা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌ অমদি মচানুপী বিম্বাবতি/শিজলাইওইবী অনীগী পূন্না শঙ্গাই অমত্তগী মওংদা লৈবসিনা অৱাং ওল্লগা হায়বদি লাইগা-নিংথৌগা মায়োক্লনা লৈ। লাইদা লুক কৎপা অদুম হায়না নিংথৌদসু অদুম কৎলি হায়না ৱারী শান্নরকপা ঐগ্যাদুনা তল্লকই। মার্চ ৩, ২০১৮, লমতাগী ১৬নি পানবা পেচকারি নুমিৎতা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী হোলিগী থৌরমসু নবদ্বিপ্তা লোইশিল্লবনিনা নুমিৎতুগী নুংথিল পুং ৪ খরা হেনবা অদুৱাইদা নবদ্বিপকী ইস্কোন মন্দিরগী মনাক্তা খামদুনা লৈরিবা হোলিদলগী বসতুদা তোংখৎনরগা ইম্ফালগীদমক নবদ্বিপ থাদোরকখি। হল্লকপগী খোঙচৎতদি খুল্লৌ পল্লৌবা অমত্তা য়াওদনা মফম চাবদা গাড়ী খাম্লগা চাক থোংলগা চারকই। মার্চ ৫গী অয়ূক্কী পুং ১১.২০ লোম তাবদা অহানবা খোঙশানবা মফমদুদা ইম্ফালদা থুংলরগা ঐখোয় মেম্বর ময়াম মথং মথং কায়নৈ। অরোইবদদি নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা ওইরকখি।

# অরিবা মণিপুরগী শৈথারোলদা কবোকলৈ

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী



**লৈরোল তেঙথা'** কৌবা পুয়াদা শৈথারিবগী মতুং ইন্না কবোকলৈ হায়না মিংথোনবী লৈরাং অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱারী ৱাখোঙ লৈ। মদুদসু নত্তনা লৈ অসিগী চন্নফম অমদি লাইনীং-লাইচৎকা মরী লৈনবা মতাংসু য়াওরি। লৈ অসিগী হৌফম, শাৎফম, লৈশক লৈচু, মতিক ময়াই শৈথাবগা লোয়ননা খুন্থোকলোন, মিথ অমদি লেজন্দনচিংবগা মরী লৈনহন্দুনা শৈথারোলগী মগুণ হাপকৎলি। কবোকলৈগী মরমদা পঞ্জখ্রিবা পুয়া অসিদা ইরিবা ৱারী ৱাখোঙদি - লৈ অসি মীওইবনা খুন্দাবদা চঙবা লৈনি। মাগী মতিক ময়াই অমদি লৈনম অসিনা মরম ওইরগা কনাগুম্বনা অৱাংবা চীংদা কাবা মতমদসু পুরগা চৎনরম্মী। লশিংগুম্না অঙৌবা মচু ওইবা কবোকলৈ অসি নুমিৎ কৌবা লাইদা কৎনবা য়াম্না মরুওইবা লাইনীং লাইচৎকা মরী লৈনবা লৈরাংনি। মৈতৈশিংনা লাৎনরিবা মরুওইবা লাইরেম্বীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পান্থোইবীনা মবুং লাইগুম্বদা কৎখি। মদুগা লোয়ননা মচল ওইবশিংনা লৈ অসিবু মবুংশিংদা কৎলি। নুপীশিংনা লৈ অসিবু চিল্লবদি মচা ফংজৈ। লৈ অসি লমলৈমদা কৎপা লৈনি হায়নসু শৈথারি। মরী লৈনবা মতেক অমা লৌখৎচরি।

নুমিৎ কৌবা লাইদসু কৎনবা লৈ
… … …
মচন ওইবীশিংন মথক থোংব মবুং ওইবশিংদ কৎনব লৈ।
পামগী মচল থিংঙা তাওবী 'পান্থোইবী' ন মবুং লাইগুম্বদ কৎখিব লৈ।
মমা ওইবীশিংন চিন্নরগা অশেংব ললবু ফংজবা লৈ।
চিনফুগী লমলৈমদা কৎনব লৈ।

(লৈরোল তেঙথা, লমায় ৩২)

লৈ অসি মতিক মগুণ লৈবা অমদি কংলৈদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা পাঙথোকখিবা মশক নাইবা থবক থৌরমশিং, শা-লান্নচিংবদা লোয়নখিবনি হায়না শৈথারম্মী। হায়রিবা লৈ অসি অচম্বা নত্তে, মণিপুরী পুৱারীগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লৈনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। কংলৈদা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোং (৬৬৫-৭৬৩) গী মতমদা লম্ফেলদা মরাং কায়না হৌবা, মৈদিংঙু লমকাইঙম্বা (লমক্যাম্বা, ১৫১২-১৫২৩) গী ফম্বাল তোংবদা য়াওখিবা, মৈদিংঙু চলাম্বা (১৫৪৫-১৫৬২) না য়োকচবা, মৈদিংঙু মুংয়াম্বা (১৫৬২-১৫৯৭) না কবো থিংবা কৌবা খুন্দা লান তাদুনা লানঙম্বগা লোয়ননা অথৌবা থীকা ফারকখিবা লান অদু চৎপদা চিনখিবা, মৈদিংঙু খাগেম্বা (১৫৯৭-১৬৫২) না ফুমতল খুন লান্দাবা অমদি সেললিক ফারকখিবা থৌদোক অদুদা চিনখিবা, মৈদিংঙু পাইখোম্বা (১৬৬৬-১৬৯৭) না অথৌবা চারাবু ফারকখিবা নুঙবীগী লান্দা চিনখিবা লৈনি হায়না লৈশি লৈথোন্দুনা শৈথারম্বা অসিমক্লসু মণিপুরী খুন্নাইগী নাৎ, চৎনরোল অমদি লৈঙাক্লোন্দা কবোকলৈনা মরুওইবা মফম কন্দুনা লৈরম্মী হায়বগী খুদমনি। মৈদিংঙু চরাইরোংবা (১৬৯৭-১৭০৯) না মৈরাউ খুন লোই চনবগী খূৎশু-খূৎলায়, য়োৎ-থাঙ পূম্নমক থল্লগা কবোকলৈ কৌবী লৈরাং কত্তুনা ঈরাৎ থৌনিজবগী মতাংবু অসুম্না শৈথারি,

নিংথৌরেল তুবী চরাইরোংব লাইন সাইওনবগী য়ূমলেপ চার ওইব।
লান্দা সেললিংববু ফাখিবা মফম লোয়ননা অকনব লান্দাখিবা লৈমায়।
খুদক্ত খুদুম চনখিব লানফম।
য়োৎ-থাং পূম্ব লৈমায়দ থল্লগ লমতাইখিব লৈ কৎখিব মফম।
য়েক্লবা কয়াবু মখ্বাং থৌরি থাংলগা লোইচনখিব।
অথোইব লমহাংসিদ শাৎপ লৈ।

(লমায় ৩২)

পঞ্জরিবা পুয়া অসিমক্কী মনুংদা য়াওবা অতোপ্পা শৈথা অমগী মতুং ইন্না কবোকলৈ অসি খুন্নাই অসিগী অঙনবা মতমদা লৈরম্বা চৎন-কাঙলোন অমসুং লাইনীং লাইচৎকা শাগোন্নরম্মী। হায়রিবা লৈ অসি মহৈগী লাইরেম্বীদা কৎনবগা লোয়ননা কনাগুম্বা নিংথৌমচা, নিংথৌকোনগী চনুশিং য়াওনা পাখং লৈশাবীশিংনা লোন্না হেক্লগা চিল্লবদি পাখংশিংবু মরু কোকপা অমদি মশম কত্তুনা চৈরাক পীরম্মী। শৈথারিবা মতেক অমা,

নিংথৌরেলগী মনাই চীঙ-তমদ তাবশিং
পে মওংগুম মশম তুবৎ ককপ,
চীঙগী হাও মশম ককপশিংন
তুমিন লোন্না খোঙ তপ্ন থাংলগ হেক্লবদি,
পোইরৈ মৈতৈ পাখংশিং চিন্নরবদি
পাখংগী মরু কোক্লগ থৌ থিংই খঙনব লৈনি
নিংথৌমচা, নিংথৌকোনগী চনু নিঙোলশিংন
থেৎনরগদি নিঙোলগী মশম কক্কনি হায়ন
থিংখিব লৈনি।

(লমায় ১২২)

ওজা অমোম খোঙনাংথাবনা খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা শৈথাবীরম্বগী মতুং ইন্না কবোকলৈ হায়না মিং থোখিবগী ৱারী অদু মোইরাং লমগী ৱারীগা মরী লৈনৈ। মোইরাংদা হাইনুচানবা কৌবা নুপা অমা লৈরম্মী। মহাক্কী নাইতোম পোকচবী লৈমা নীংথি তরেংবী কৌবী মচানুপী অমা লৈরম্মী। নোংমা হাইনু চানবনা তাংগোংলোন চীংদা কাদুনা থবক শূবা চৎলমদাইদা মচানুপীনা হৈরা অহাউবা হেক্তুনা পুবীরকউ হায়রম্মী। মহাক্লসু মচানুপীগী অপাম্বদু শোয়দনা পুরক্কনি হায়রম্লগা চীংদা চৎখি। মহাক্না চীংদা চৎপা মতমদা উয়োক্কোন্দা ফজরবা লৈ মখল অনী শাৎপদু উরম্মী। মদু উরুবদা খোয়দামনখিবনা মচানুপীগীদমক পুবিরগে হায়দুনা লৈ পান্বী মখল অনীমক ফূক্তুনা পোনচেপ মনুংদা হাপ্লগা পুরক্লম্মী। ময়ূম য়ৌরক্লগা ইয়োং মথক্তা ফমদুনা ফী শারিবী মচানুপীদা লৈ অনীদু পীরম্মী। লৈ অমনা পাংগোংলৈ অমসুং অতোপ্পা অমদুনা কবোকলৈ হায়না মিংথোনখি। লৈমা নীংথি তরেংবীনা কবোকলৈ মিংথোনখিবগী মতাংবু অসুম্না শৈথারি,

লৈরাং ফুগাইনা শাৎলগা
অঙৌবদি অপানবনি,
শিংঙেল নাওৱা মখোইরেন
লৈরাংগী কোলোই মমিংথোন
অঙৌবা অপানবা মীংথাং লৌদুনা
লৈরাং কবোকলৈ হায়না মিংথোনখি।

(লৈরোল লমায়, ২৮)

মতৌ অসুম্না অঙনবা মতমদা লৈরম্বা শৈরেংবা অমদি অশৈবশিংনা লমদম অসিদা ফংবা লৈশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱারী ৱাখোঙ শেমদুনা থম্বীরম্মী। মদুগী মনুংদা কবোকলৈসু মমিং পনবা য়াই। লৈরোল তেঙথাদা পীরম্লিবা ৱারী ৱাখোঙশিং অসিগী মতুং ইন্নদি লমদম অসিদা মমাঙঙৈদগী লাৎনদুনা লাক্লবা লাইনিংথৌশিং অমদি লাইরেম্বীশিংগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লৈ ওই হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। কংলৈ লমদা থেৎনীংঙি চীন্নীংঙি হায়দুনা মফম মতম য়েংদনা পঙথেৎ থেৎপা পঙচিন চিনবা য়াদবগী ইঙ্গিৎ অমসু পীরি। মদুদসু নত্তনা মীচম ওইরবসু নিংথৌগী ইমুং মনুং ওইরবসু লৈশাবী পাখংশিংনা থেৎপা চিনবা য়ারমদবরা হায়বসিসু হংবা য়াবা ৱাহং অমা ওই। অদুবু ওজা অমোম খোঙনাংগী শৈথা মতুং ইন্নদি হায়রিবা অথিংবা অসি কংলৈ নত্তবা মোইরাংনচিংবদা লৈরমদবগী খুদম ফংই। লৈ অসিগী তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই অমদি মতিক মগুণ চেল্লবা মণিপুরগী নিংথৌশিংনা লৈ অসিবু লানঙম ফিরাল থেৎনবা লৈনি হায়বা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শৈথারম্বসিনি। অসিগুম্লবা লৈশক লৈচু হেল্লবা, লৈনম চেনবা কবোকলৈগী অরোনবা মতিক ময়াই লৈরম্বসু য়ারি। লোত্তুনা লৈবা কান্নবশিংবু অখঙ অহৈশিংনা কূপ্না থিজিনবগী মথৌ তাই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১। কাং শান্নবা হায়বসি ঐখোয়গী থানবা য়াদ্রবা মশান্না অমনি। মী তরেৎ-তরেৎ ফম্নরগা শান্নবনি।
(ক) করম্বা মৈদিংঙুগী হাক্তক্তা কাং শান্নবা হৌখিবগে?
(খ) পনঙাকপা মীশক্লা ফমফম কয়াশুবদা ফম্বগে?
২। "নোংমা নোংমগী থামচাগী মমল হাইথরকপনা ঈশিংমুক মমল লায়খ্রে। কান্নবদি লৈবা মমলদি হোঙবা।" পরেং অনীসি এম কে বিনোদিনীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু?
৩। "বেশ্যাইমচাগী/ওক মকোক পানবশিংদো/মমীৎ মমীৎতমক ময়েংনৈ/মমীৎতমক ময়েংনৈ।" পরেং মরি অসিনা শ্রীবীরেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?
৪। "হায়হৈদে তমু, তুংগী পুন্সিগী খল্লু, লমন শিংদনা তোকলোইসি।" পরেংসিনা 'নূংগী চীনবান' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু?
৫। "হল্লকখিনি অমুক তোর্ব্বানসিদা' হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

